ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ৩০, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২১৫ শুবা মশীং

ষ্টেটকী ওইবা দ্রগ পোলিসি

দ্রগ ললোনবা অমসুং চাবশিং লাকশিনবগী মওং শেমদোকসি

লৈবাক অসিগী ইকোনোমিগী হব অমনি হায়রিবা মুম্বাইগী মরুওইবা সিটিশিংদা দ্রগ চাবা মী মশীং য়াম্না লৈ। লম্বীগী মচি-মরুমদা নৎত্রগা উখোং-ৱাখোং অমদা দ্রগ কাপ্পা অমসুং দ্রগ শীজিন্নবগী মওং মতৌশিং লম্বী চৎলিবা মীপূম খুদিংমক্কা শোয়দনা উরমগনি। অদুবু পুলিসনসু, মীয়াম্নসু মখোয়না তৌরিবা মওং মতৌদু কনামত্তা উদে। তৌগদবা মথৌশিং অদুম তৌনৈ। মাগী-মাগী থবকশিং কায়দনবা চৎনৈ। করিগুম্বা মখোয়বু পুলিসনা ফাগে য়াওনা ফারবা মখোয়বু থম্নবা মফম লৈরোই। মীয়াম্না মখোয়বু অউ-অউবা ফুদুনা ৱারকপা তারগদি নোংমদা মীওই ২০/৩০দগী তাদনা শিগনি। মদুনা অমুক্কা হেন্না মী হাৎপগী ৱাথোক লাক্কনি। মসিনা মরম ওইরগা দ্রগ চারিবা মীশিং অদু মশা মথন্তা শিরগা শিজখ্রে, খুন্নাই অসিগী পোৎলুম ওইহনফম থোক্তে হায়দুনা মীওই অয়াম্বা তুমিন্না লৈশিল্লি। মণিপুরদদি দ্রগ চাবা মীওইশিং অসি মীয়াম্না কয়া নুংশিনা লৌনদে। লৈকায় অমদা পোৎমাং চৈমাং তৌরকপদা দ্রগ চাবা কনা লৈবগে হায়বসি অহানবা ৱাহং ওইরগা মখোয়না শোয়দনা হুরমগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি পোক্নে। তশেংনমকসু ময়াই কাবা দ্রগশিং অসি শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা শেলগী মথৌ য়াম্না তাই। পোৎলমশিং অসি মমল য়াম্না য়াম্বা মরম্না শেল পায়দবা মচা-মশুনা চারগদি হুরানবা নৎত্রগা লাক্লুবা নত্তনা মহাক্কী পাম্বৈ অমত্তা লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মখোয়বু কিনৈ। মসিগীসু মথক্তা মখোয়না খুন্নাইগী চৈরাক কিবদগী মশক লোৎলকই। দ্রগ এদিক্টনি হায়বা খঙহন্দে। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়গী মশাদা লোয়নরিবা দ্রগকা মরী লৈনবা লায়নাশিং মরাল শুংলৈ লৈতবা মীওইদা শন্দোকপদা থিংননবগী পাম্বৈ লৈতে। মসিগী হায়রুরগদি দ্রগ চাবা মীওইশিং পুলিসনা নৎত্রগা খুন্নাই অসিনা য়াম্না কা হেন্না তাথি-তাওইনা তৌরিবসি চুমদে। মখোয়বু ৱাখল তাহন্ননবা করি তৌবা য়াবগে হায়বা লম্বীদা পুশিনবা চুমগনি। খ্বাইদগী হেন্না তমথিরিবদি দ্রগ ললোনবশিং অসিনি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা দ্রগ পীজরগা মখোয়না অৱাংবা য়ূম শাগৎলকই, ভোট লেপখৎলকই, মখল মখা কয়াগী কার তোংখৎলকই। শেল পায়রবনিনা লৈবাক অসিগী লো শেম্বশিং অমসুং লোবু ঙাক শেনবশিং মখোয়গা তোৎন-তিন্নরক্কুনা মখোয়দা মীৎয়েং অমত্তা চঙবা ঙমহন্দে। মসিনি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অরুবা অনাবদি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কেক্রু পাৎতা মফম অদুগী মীয়াম্না দ্রগ শীজিন্নবা ময়াম ফারগা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনবা য়াবা ভিদিও ক্লিপিং অমখক সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকখি। ভিদিও ক্লিপিং অদু থাগৎলকপা মতুং পুং ২৪ ফাদ্রিঙৈদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবু অমনা কেক্রু পাৎ অমসুং মসিগী অকোয়বদা র‍্যেদ চথদুনা দ্রগ চাবা মীওই কয়ামরুম ফাগৎখি। নুমিৎ নীনি-হুমনিরোম লেপ্তুনা র‍্যেদ চথদুনা দ্রগ চাবা মী ফারকপদগী মফম অদুৱাইদা চাদুনা লৈরম্বা দ্রগ চাবশিং মাঙখ্রে। লুরিবা ৱাফমদি মীয়াম্না অমসুং পুলিসনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মফম অদুৱাইদগী দ্রগ চাবশিং ফাবা অমসুং দ্রগ চাবশিং চঙহন্দবদুনা খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা দ্রগনা পীরিবা চৈথেং অদুদি কোকহনবা ঙল্লগদ্রা হায়বসিনি। মীয়াম্না খঙই ময়াই কাবা দ্রগ হায়বসি অমুকপু হৈনখ্রগদি থাদোকপা য়াম্না ৱাবা মতিক ময়াই কনবা পোৎশক অমনি। কেক্রু পাৎতা চঙবা য়াদ্রে উরিপোক্তা লাক্কনি, উরিপোক্তা য়াদ্রে কোনুং মমাঙদা উনগনি, কোনুং মমাঙদা য়াদ্রে রিমস নৎত্রগা জেনিমসকী হোস্পিটাল মনুংদা লৈরক্কনি। শম্না হায়রবদা ঈশিংগী ঈফুৎ অমগুম্বনি। লৈরাই ফত্তবা মফমদা ফাওরকপা ঈফুৎ অমখক মেল্লগা ঈশিং কায়ররোই হায়বা য়ারোই। ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবশিংগীদি মোবাইল ফোন অমদগী টেলিফোন তৌখ্রগা মফম অমদা নখোয় ৪/৫গী পুল্লপ শেল খোমজিল্লগা থনল্লো হায়রগা ললোনবা মীওই অদুনা মফমদু ফাওবা থিল্লকপদা অরুবা ওইদে। শেঙ্গাউ পায়বা ইমুংগী মচা-মশুশিংগীদমক্তদি দ্রগ ললোনবশিংনা হোম দেলিভরি তৌই হায়বা ফাওবা লৈরিবনি। মরম অদুনা দ্রগ চাবা থিংগে হায়বা তারগদি দ্রগ চারিবা মীওইশিং অদুনা অহানবদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক অসি ঐহাক থাদোক্লগে হায়বা ৱাখলসি চপ য়ুংনা খলহনবা মথৌ তাই। ৱাখল অদুবু লৈরগদি মঙোন্দা মেদিকেল সপোর্ট পীরগা দ্রগতগী লাপথোকহনবা ঙমগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মণিপুর লৈঙাক্লা ময়াই কাবা দ্রগ অমসুং মসিনা থোকহল্লিবা প্রোৱ্লেমশিং অসি থিংননবনি হায়দুনা দ্রগ শীজিন্নবশিং ফারগা ফুবা, ৱারক-ৱাতেম্বা অমসুং সেন্তরদা থল্লিবসিনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। খ্বাইদগী ইহান হান্না তৌগদবা থবক্তি ষ্টেট অসিগী ওইজবা ময়াই কাবা দ্রগকী পোলিসি অমা হান্না শেমগদবনি। পোলিসি অদুদা দ্রগ শীজিন্নরিবশিংদা করি তৌগনি, করম্না দ্রগ শীজিন্নহল্লোই, করম করম্বা দিপার্টমেন্টশিং দ্রগ থিংবদা য়াওহনগদগে, ময়াই কাবা দ্রগ ললোনবশিং থিংননবা পাম্বৈনা করি তৌগনি হায়বনচিংবা অখন্নবা থৌশিল কয়ামরুম হাপকদবনি হায়জনীংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ঈংনা চিক্লা লৈবা পামদ্রবজাৎলা?

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মীওইবসি হায়নৈ খ্বাইদগী শিংবা অমসুং অফ-ফত্ত খঙবা ঙম্মী। অদুবু মীওই অয়াম্বনা ইশা ইশানা খল্লিবা থবকশিং অসিনা খ্বাইদগী শিংনবনি, ফরবনি খঞ্জবগুম তৌই। অদুবু মীওইবনা মালেম ইমাগী মীংদা চাওখৎলক্তুনা হিংলক্লিবসিগী মরমদা পুং খরদং খন্থহঞ্জনীংই। ঐহাক্লা খন্থরুবা মতমদদি পূন্না চাওখৎমিন্নবা, নুংশিন্নবা, মতেং পাংমিন্নবা অসিনা খ্বাইদগী অফবা ওইরম্লে। মসি অদোম থাজবিদব্রা? ঙাইহাক্কী অপাম্বদগী ইংনা চিক্লা লৈববু য়েক্লবা অমগুম খন্দুনা ঈরাং শাগৎপা পাম্বীব্রা? পাম্বীরবদি নুংঙাইনা লৈবিহৌরো। ইংনা চিক্লা লৈবা পাম্বীদবা খুদিংমক শিজরসনু। নোংমদি অনীসিগী মরক্তা অমদি শোয়দনা মপূ ইপা ইবুংঙো অমসুং মপূ ইমা ইবেম্মনা ৱায়েল্লক্লগনি। ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর মীওইবশিং অসি ইংনা চিক্লা লৈবা পামদ্রবজাৎলা?

অদোমগী - সলাম সঞ্জোয় মীতৈ
নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর -৬

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১। মখাগী ৱাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) নাইনু-কিশি (খ) নৌহা-খোংফাং।
২। মৈতৈ নিংথৌ পোকপীশিংগী হৌরকফমগী ৱারী ইবা 'চাদ লাইহুই' কৌবা লাইরিক্তু কনানা ইরম্বনো?
৩। "মীগী মরোল লোনবদি/ঐগী অৱাবা ইজবদি/করম্বা ৱাহৈনা ফোঙসিগে।" পরেংশিংসি মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং করি কৌই?
৪। "নঙগী সমাজ, নঙগী ধর্ম্মদুনা ঐগী ইচাগী পুক পুবীবরা? সমাজ হায়বসিদি অশিবনি, থৱায় পান্দবনি।" পরেংশিং অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক 'অন্দ্রোগী মৈ' হায়বদু হিন্দীদা হন্দোকপদু কনাননো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

কোবীগী মরু ওইবা লায়না : ক্লব রূট

ডা: এম থোইথোই সিংহ

মনা-মশিং অমসুং হৱাই-চেঙৱাইনচিংবা পাম্বীশিংদা তারিবা লায়নাসি লৈবাক্কী অশিন অয়াক্কসু মরী য়াম্না লৈনৈ। তশেংনমক লায়না তীলনা তাবা হায়বসি অইং-অশা, মখল (ভেরাইটি) অমসুং ঈশিং নুংশিৎকী মখাসু য়াম্না পোনবা মরম্না ঙসিগী লায়না তীলনা ঙাকথোকপদা হীদাকখক্কী মতেং লৌবসি পাম্নরক্রে।

অশিন অয়াক্কা য়াম্না মরী লৈনবা, লমদমসিদা তোয়না থেংনরিবা লায়না অমদি কোবীদা তাবা মখোঙ অমসুং মরা চাওথোকপী 'ক্লব রূট' হায়না খঙনবা লায়নাসিনি। লায়নাসি ঙাকথোকপা লায়। অদুবু হীদাক্লা ঙাকথোকপদি অরায়বা অমা ওইদ্রে। মতম অমদদি লায়নাসি ঙাকথোক্লবা সনাহীদাক য়াওবা হীদাক মখলশিং খুদম ওইনা Mercuric Chloride, Mercurous Chloride দা নত্তনা Tetrachloronitrobenzene, Sodium methyl dithiocarbonate নচিংবা কয়াসু শীজিন্নরম্মী। মীওইবগী হকচাং শোক্তনবা পাম্বীশিংদা সনাহীদাকপু মচল অমা ওইনা য়াওবা হীদাকশিং শীজিন্নদ্রে। অদুবু অথিংবা লৈরবা হীদাকশিং শীজিন্নবগী মহুত্তা লৈবাক্কী অশিন অয়াক শেমদোক্লগা লায়নাসিমক্তি লাকশিনবদা লুদ্রে।

ক্লব রূটকী লায়ওং :

মখোক অমসুং মরা চাউথোকপী কোবীগী লায়নাসি পাম্বীগী মপান্থোংগী ফীভমদা অকায়বা উদ্রিঙৈদা মরা অমসুং মখোক চাউথোকপা হৌরকই। পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা পাম্বীদুমক ঈশিং অমসুং মচিঞ্জাক ৱাৎপগুম মচু তাইনা শংগনি নৎত্রগা নাপু মচু চঙলপ তৌনা উগনি, ইরেক লেকথগনি। পাম্বীশিংদু ফুক্তোক্তুনা য়েংবদা মখোক অমসুং মরাদু পোঙথোক চাউথোক্কনি। করিগুম্বদা মশাগী চাউথোকপা চাংদগী শরুক ১০ মুক হেন্না চাউথোকপা য়াওগনি। মতমসিদা কোবী পাম্বীশিং খুইথরক্তুনা শিবা য়াওই। পাম্বীগী মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং পুথোক পুশিন তৌবদা অকায়বা পীবনা পাম্বীশিং চাওদম থীন্না লৈ, কোবী তাশিনবা ঙমগন্দে। তাশিল্লবসু চাউবা হেনগন্দে, পীকশিন্না লৈ।


Zoospore
Zoospores infect root hairs
Plasmodium in cell
Resting Spore Germinates
Resting Spore
"Clubbed" Roots of Infected Brassica
Root cells breakdown Releasing Resting Spores
Club Roots Disintegrate

লায়না অসি *Plasmodiophora brassicae* হায়না খঙনবা কোকফাই শুজা অমনা থোকহনবনি। লায়না চেল্লবা পাম্বীগী শরুকশিংদা কোকফাই মরূশিং (resting spores) তুংশিন্দুনা লৈহৌই। মথংগী চহীদা অনৌবা পাম্বী (কোবী) লাক্লবা মতমদা অমুক লায়নাসি শন্দোরকই। লায়না থোকহল্লিবা কোকফাইসি অশিনবা লৈবাক্তনা হেন্না হৈননা লৈ, p^H ৫.০-৭.০ ফাওবা লায়নাসি তাগল্লি। অদুবু p^H ৭.২ য়ৌখ্রবদি লায়নাসি তাবা ঙমদে। মরম অসিনা লায়না অসি য়াম্না তোয়না তাবা মফমদদি শুনু চাইথোক্লে। p^H ৭.২ গী মথক্তা লৈনবা হোৎনৈ।

মণিপুরদদি নোংগী ঈশিংনা মরু ওইনা লৌউ-শিংউ তৌবা মফম ওইবনা অশিনবগী চাং ৱাংগল্লি। মসিগী মথক্তা হার শীজিন্নবদা অশোয়বা কয়া লৈবনসু লৈবাক্কী অশিনবগী চাং হেনগৎহল্লি হায়বসি মীওই খুদিংনা খঙনরবনিনা, মসি চুমথোক্লবা হোৎনবা দরকার ওইরি। ডি এ পিগী মহুৎ সুপর ফোস্ফেটনা শীন্নরি। অশিনবা মফমদা কোবী থাবদা থেংনরিবা সমস্যাশিং অসিগী মথক্তা কোবী থমচেৎ থাবা মফমশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। p^H ৫.০ গী চাং য়ৌনবু শীল্লবদি Molybdenum ৱাৎপগী কোবী থমচেৎকী মনাশিং চপশিন্না শাংহল্লি। থমচেৎ পীকহল্লি ফজহন্দে । কোবী থাবা মফমশিংদা লৈবাক শিনবগী চাং হেনগৎলকপদা থেংনরিবা সমস্যাশিং অসি হন্থনবা লৈবাক চাংয়েং তৌথোক্লগা অশিন অয়াক্কী চাংদু চুমথোক্লবা হোৎনবা চংই।

থানীংলিবা পাম্বী মখলদুমক্কী তোঙান তোঙাবা ভেরাইটিশিং লৈরি, মখল কয়াগী লায়না তীলনাবু ঙাকথোকচবা ঙমজবা ভেরাইটিশিং পুথোক্লরক্লি লমদমসিগী অকক্লবা মফম অমদা তাগনবা লায়না তীলনাদুবু খরমখৈ নৎত্রগা চাং ৱাংনা ঙাকথোকচবা ঙমজবা পাম্বী মখলদু থারবদি হীদাক শীজিন্নবগী চাং হন্থগনি। মসিগী মথক্তা অঙনবা মতমদা থাগদবা নৎত্রগা অথেংবা মতমদা চানবা হায়বা ভেরাইটিদুমক চুম্না শীজিন্নবা মতমদা লায়না তীলনা তাবা হন্থে। মসিগী মথক্তা পাম্বী মখল খুদিংমক থেংনা থাবদগীদি খজিক্তং ঙনখৎনা থাবসিনা হেন্না ফৈ, লায়না তীলনা তাবা হন্থে হায়বসি পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি।

লায়না তীলনা তাবা হায়বসি পাম্বীগী অকুং অরলগী মখাসু পোল্লি। কুংনা থারিবা মখৈ লায়না তীলনা কল্লি, মখা তানা লায়না শন্দোকপা লায়। লন্না থারিবমখৈ লায়না তীলনা শন্দোকপা তপ্পী। নাকল অমরোমদা লন্না থারিবমখৈ চাথোক হন্থে, কুংমল্লবসু চাথোক হন্থে। মরমশিং অসিদগী পাম্বী মখল খেন্নবা (Species অমসুং Variety) খুদিংগী চপ চাবা অকুং অরল থম্নবা হোৎনগনি।

লৈবাক্কী অশিন অয়াক খেন্ননা তোঙান তোঙানবা পাম্বী মখলশিংগী হৈনজবা লৈজে। লৈবাক্কী অশিন অয়াক খঙদোক্লগা চানবা মরূ মরাং থাবা নৎত্রগা অপাম্বা মরূ মরাংদু থাননবগীদমক পাম্বীদুগা চান্নবা লৈবাক্কী অশিন অয়াক শেমদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে।

ঈশিং নুংশিৎ, অঙৈং-অশা (মেটিওরোলোজিকেল) গী ঈ-পাউগী কান্নবা

এস সুমঙ্গোল সিংহ

হৌজিক্কী মতমদা রেদিও, টিভি পাউচেনচিংবদা নোংমগী/মতম খরগী ওইবা অঙৈং অশা অমদি নোংগী ফীভমগী মরমদা তোইনা পাউ চেনবা ঐখোয় অয়াম্বনা থেংনরি। মসিগী কান্নবা অসিগী মরমদা মমাঙথক্তসু থমজখ্রে। ঙসিসু অমুক হন্না মসিগী কান্নবা অসি মরুওইনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী ওইনা অমুক্কা হন্না থমজরি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা মিৎ নাকোং ওইনবা, মমাঙদসু থমজখ্রবা খরা হেন্না মিৎ নাকোং শিংবা ইচিন ইনাও অমগী ৱারী অমুক্কা হন্না থমজগে। লোয়ননা অতোপ অতোপ্পা ময়ামগী কান্নগনি খনবা ৱাফম খরগসু খঙজিনমিন্নসি।

ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমদি মালেমসিদা হৌরিবা পাম্বীশিং অসি মাগী মাগী চানবা, হৈনবা অইং-অশা, লৈহাও লৈজে হায়বসিনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কাশ্মীরদা শেম নিংথিনা হৌই হায়দুনা মণিপুরদা মায় পাকপগী ওইথোকপা লৈরোই। মণিপুরদসু হৌজিক শেম পানবদি থেংনরে অদুবু কাশ্মীরগী শেমগুম্না মহাও লৈনা মপূং ফানা পানবা হায়বদুমদি ওইথোক্লোই হায়জবনি। খা ভারত্তা নিংথম কালেন অনীমক্তা ফৌ মায় পাক্লা থারবসু অতোপ্পা মফম পুন্নমক্তা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। নিংথম থাদা থাগদবা হৱাই মঙ্গল কালেন থাদা থাবা ওইথোক্লোই। হায়বদি পাম্বী খুদিংমক্কী চানজবা/হৈনজবা নুংশা মঙালগী চাং, নুংথিলগী নৎত্রগা নুমিদাং শাংবগী মতম অমদি অইং অশাগী চাং লৈজে। পাম্বী খুদিংমক্কী হায়রিবা চাংশিং অসি খঙবগা লোয়নননা মতম মতমগী হায়রিবশিং অসিগী ঈ-পাউ কুপ্পা শেন্নদুনা শীজিন্নরবদি লৌউ-শিংউ তৌবদা মায় পাক্কনি হায়বসিনি খঙজিনবদা কান্নগদৌরিবদি।

নোংমা ইচিন ইনাও অমগা পূন্না চথমিন্নবা ত্রাইএল অমগীদমক ফৌ লোকপগী রেকোর্দ লৌনবা নুমিৎ লেপ্পখি। লেপ্পরিবা নুমিৎ অদু খাওদুনা থল্লবা ফৌ য়ৈবগী নুমিৎনি। লেপ্পখিবা নুমিৎকী মতুংইন্না চৎলুবা মতমদদি য়ৈবা লোইদুনা বোরাদা তোঙান তোঙান হান্দুনা লৈরমখি। ইচিন ইনাওদুনা হায়বদা "কদাইদগী টিভিদা অমুক্তোইবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্কনি হায়বগী পাউনা পিক থল্লবা মতমসিদা হায়নখিবা নুমিৎ ঙাইদুনা লৈবা য়াদ্রে খন্দুনা তাকপীরম্বা মতুংইন্না য়ৈথোল্লগা লোইশিনখ্রে।" কয়াদা চুমখ্রবা থৌরাংনো! ঐ য়াম্নমক ইচিন ইনাওদুবু পূক্লিংদা থাগৎচখি। ইচিন ইনাওদুগী মফম য়ৌনবা চৎখিবা লম্বীগী নাকল অনীমক্তা লৈরিবা লৌবুকশিংদা খাওদোক্লবা ফৌগী ফৌবোমশিং, নোংগী ঈশিংদা তাও তাওদুনা লৈহৌবদু উরুবদা য়াম্নমক থৱায় নুংঙাইতনা চৎখিবনি। অদুবু মফমদু য়ৌবদা কয়াদা নুংঙাইখিবা, ময়াম্না হেন্না খঙলম্লগনি খঞ্জে। মসিনি ঈশিং নুংশিৎকী ঈপাউনা মীয়ামগী মফমদা পীরিবা কান্নবশিং। খরা হেন্না থমজরবদা, করিগুম্বা হায়নখিবনি হায়দুনা ইচিন ইনাওদুনা নুমিৎতু ঙাইরম্লবদি ত্রাইএল তৌরিবা ফৌশিং অদুসু ফৌবোম তাওদুনা লৈরমগনি, খঙনীংলিবা অশেংবা ৱাফমশিংসু খঙবা ঙমদনা হোৎনজরুবা খুদিংমক মাঙদুনা তোক্লমগনি।

থমজরিবা ৱাফমদি নোংগী ঈপাউখক্তগী নত্তে। অইং অশা, নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং খুদিংমকসিগা ঐনা ঐনা থারিবা মহৈ মরোং পাম্বী খুদিংমক্কী নিংথিনা মপূং ফানা হৌদুনা পোথোক পুথোকপা ঙম্বগা য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিমসুনি। অসিদা নত্তনা থারিবা পাম্বীদা তাগনবা লায়না তীলনাশিংগা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমগসু য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনরিবনি। লায়না নৎত্রগা তীলনা অমনা হৈনবা ফীভম লাক্লবদি ঐখোয় খুউ শেনবা তাই। খুদম অমতং পল্লবদা - নোং থিৎলি-থিৎলি অমুক লেপ অমুক চু হায়বদি নুংশা অমুক শা, নোং অমুক চু তৌরবা, লৈচিল নোংফাই থাংলবা, ফৌনাদা লিক্লা পক্লবা ফৌগী ব্লাষ্ট হায়রিবা শাথিরবা লায়না অসি তারক্লবগী য়াম্নমক ফরবা ফীভমনি, চেকশিন থৌরাং শোয়দনা পায়খৎপা তারে। নোং কন্না চুরগা লেপখিবা ওইরবদি থোইদোক্লা কিনিঙাই ওইদে।

মনা খামদেকপী আলুগী শাথিরবা লায়না (লেট ব্লাইট) অসি খরা ঈংবা (২০° সেলসিয়স) মতমদা নুংথিলগী মৈশানা নুমিদাংগী মতমদগী খরগা হেন্না শাবগা লোয়ননা লৈচিল নোংফাই থাংদুনা নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংলবা লোয়ননা আলু মনাদা লিক্লা পক্লবা মতমদা তাগল্লি হায়বসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অসুম্না নোং চুবা নৎত্রগা নুংশা শাবা অমদি অইং অশাগী চাং হায়বসি লৌমী ইচিন ইনাওশিংগীদমক্তি ষণপোৎ খোইবগী থৌরাং, মহৈ মরোং মরু হুনবা, থাবা, ঈশিং চনবা চনদবা, হার চাইবগী থৌরাং, হেকপগী নৎত্রগা লোকপগী তাঞ্জা অসিনচিংবা মরু ওইরবা থৌরমশিং অসিগী শেম শাবগী অশেংবা তাঞ্জাশিং থৌরাং তৌনবগী য়াম্না মরুওইবা মরমশিংনি। মরম অদুনা হায়রিবা মরু ওইরবা মচাক অহুম অসিগী পাউ খঙবা হায়বসি শেঙেদাং লৈনা, মায় পাকনা লৌউ-শিংউ তৌবদা য়াম্নমক মরুওইবা অমনি হায়বসিনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি। অদু নত্তদুনা লাইনা তাম্বনি খন্দুনা পংউ উবা, পংথা থারবদি লৌ উবা, ইঙ্খোল কোয়বগী ফল ফংলোই হায়জবনি।

মরমশিং অসি লৈবনা মরুওইবা মহৈ মরোং খরগী খঙবদা কান্নগদবা ৱাফম খরা থমজরি।

নিংথম	চানবা মতম	অইং অশা (সেলসিয়স)	কালেন	চানবা মতম	অইং অশা (সেলসিয়স)
হৱাই মঙ্গল	সেপ্তেম্বর ওক্টোবর	২২-২৫°	ফৌ	জুন-জুলাই	২০-৩৭.৭°
আলু	,,	১৭-২৫°	নূং হৱাই	,,	১৫-৩২°
কোবি লৈ	অঙনবা- -মে জুন	২০-২৭°	শগোল হৱাই	,,	
	জুলাই-ওগষ্ট অথেংবা সেপ্তেম্বর ওক্টোবর	১৬-২০° ১২-১৬°			
কোবিফুল	মতম লৈতে	অয়াম্বা মতমদা চানৈ, মতম তেনবা শাংবা মখল লৈ	লৈবাক হৱাই	,,	
ব্রোকোলি	ওগষ্ট-ওক্টোবর	১০-২৪°	শিং	এপ্রিল -মে	২৮-৩৫°
হঙ্গাম	সেপ্তেম্বর-ওক্টোবর	২৬-৩০°	য়াইঙং	,,	২০-৩০°
তিলহৌ	মতম য়াম্মী	মরূ কাদ্রিঙৈ -১৩-২৩° মরূ কারিঙৈ -১৬-২১°	ভেলন্দ্রি	,,	২৫-৩০°
চনম	সেপ্তেম্বর-ওক্টোবর	মখল অনী লৈ। নুংথিল শাংবা/তেনবদা চানবা	খামেন অশিনবা	এপ্রিল-মে; জুলাই-ওগষ্ট	২১-২৪°
গাজর	,,	১৬-২১°	খামেন	ফেব্রুৱারী-মার্চ মে-জুলাই; ওক্টোবর-নবেম্বর	২৫-৩০°
হৱাই মুবি	,,	১৫-২৫°	মোরোক এঙ্গাং মোরোক		২০-৩০° ১৭-২৩°

নিংথম কালেন হায়দুনা চাউরাক্লা খাইদোক্তুনা থমজবনি। মাগী মাগী খরা হেন্না চানবা মতমদি খরা খরা অদুমক খেন্নবা লৈতবা নত্তে। মতমগী মতুংইন্না অনৌ অনৌবা, মতমগা চানবা, অফবা মখলশিং পুথোকপা লেপ্পা লৈতে। মতম নাইদনা থাবা য়াবা, অইংবা/অশাবা খাংবা ঙম্বা মখল কয়া অমনি। অদুমকপু মথক্তা থমজরিবা থাবগী মতম অমদি অইং অশাগী চাংগা অদুমক নক্লনা লৈবনা মখোয়না হৈনজবা হায়বদুদি অদুমক ওইদুনা লৈবনা অয়াম্বনি। খরা খরা থৈদোক থৈজিন তৌদুনা অতাঙবা মতম নংনবা হোৎনবগী তাঞ্জা লৌবদসু হায়রিবশিং অসি খঙজিনবা কান্নগনি।

অমরোমদা অমুক মানা মানা হৈনজবা অইং-অশাদগী খরদং হেন্দোক হেঞ্জিনবা য়াদবা কাঙবুসু লৈতবা নত্তে। খুদম ওইনা অশাবগী চাংনা ৩০° সেলসিয়স হেন্না হেক শারবা, ১২° সেলসিয়সতগী তানা ঈংলবা খামেন অশিনবা পানবা শোয়দনা হন্থরনি, ১০° সেলসিয়সতগী হন্থরবা খামেন অশিনবগী অঙাংবা মচু ফংবা শুকঙম ঙল্লরোই।

খঙজিনবা য়াবা কয়া অমনি, থমজনীংলিবদি মরু ওইরিবা পাম্বী মখলশিং অসিগী হৈনজবা ফীভমশিং ইশিন্দুনা থন্বীয়ু, চাংয়েং মচা-মচা পাঙথোকপীয়ু, মতম খজিক খজিক খেন্নহন্দুনা মতম অমত্তদা পুল্লপ মণিপুর পূম্বদা কোবিনা/খামেন অশিনবনা ৱাই চাইহনবা তোকসি। মগুণ নীংথিনা খঙদ্রিবা অনৌবা মখল অমা থাগে খল্লবদি অপীকপা চাংদা লম মচেৎ খরদা হান্না চাং য়েংবিয়ু। মতৌ অসুম্না মতম মতমগী অইং অশাগী, নোংজু নুংশাগী পাউগী কান্নবা লৌবীদুনা মায় পাকপা লৌমী ওইবিয়ু। মীয়ামগী অমদি শা ষণগী হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা, থৱায় ওইরিবা চিঙ্গাক পুথোক্তুনা পূন্নমক্কী মপূং ফাবা মতেং তৌবিয়ু।